# মণিপুরগী নুপা অমদি নুপী আর্চরি টিম ওড়িশাগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি



ইম্ফাল,মার্চ ০৭ঃ

আর্চরি এসোসিয়েসন ওফ ইন্ডিয়াগী মীয়েং মখাদা থা অসিগী ৯ দগী ১৭ ফাওবা ওড়িশাগী কুট্টক্তা লৈবা বরাবটি ষ্টিদিয়মদা পাঙথোকদৌরিবা সেনিয়র নেসনেল আর্চরি চেম্পিয়ন্সপতা ষ্টেট অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুনবা মণিপুর আর্চরি এসোসিয়েসনগী নুপা অমদি নুপী আর্চরশিং ওড়িশাগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

নুপাগী রিকপ আর্চরশিং অদুদি টি ঐচ সনাতোম্বা সিংহ,টি ঐচ সনায়াইমা সিংহ,এন পারিথোই অমদি এম মালেমঙানবনি।

নুপীগী রিকপতনা টি ঐচ সনাই,বিদিয়া কুমারি ,টি ঐচ সোৱসিতা অমদি মনিসনানি।

টিম অসিগী কোর্চ কম মেনেজরনা বি গুনিচা দেবী অমদি কোর্চনা এম জামিনি দেবীনি।

রিকপকী টিমনা থা অসিগী ৯ দা ইম্ফাল থাদোক্কনি।

নুপাগী কম্পাউন্দ টিমদানা রামকান্তা এস ঐচ, এস রাজেন্দ্রো সিংহ,পি জগৎ সিংহ অমদি এম বিক্রম সিংহনি।

নুপীগী কম্পরউন্দ টিমদনা পি লিলি চন্নু,এস মনোরামা দেবী,সুচিত্রা তৌরাংস্ব অমদি এম রুপান দেবীনি।

টিম অসিগী মেনেজরনা এম বদল সিংহ অমদি কোর্চতনা সি ঐচ সান্তা দেবী অমসুং বি হোনি দেবীনি।

কম্পাউন্দগী টিম অসি থা অসিগী ১২ তা ইম্ফাল থাদোকনি।

নুপাগী ইন্দিয়ান রাউন্দ টিমদনা এম সুন্দর সিংহ,টি ঐচ লানঙম্বা মৈতৈ,ইসক সিনাতে অমদি ঐচ বিজেন্দ্রানি।

নুপীগী ইন্দিয়ান রাউন্দ টিমদনা পি সোনিয়া দেবী,দব্লিউ মালেশ্বোরি দেবী,এস নিরমলা দেবী অমদি সপনানি।

টিম অসিগী মেনেজরনা কে দেবানন্দা সিংহ অমদি কোর্চতনা এ সোনোচান শর্ম্মা অমসুং বি লুসি দেবীনি।

ইন্দিয়ান রাউন্দ টিম অসি থা অসিগী ১৪ দা ইম্ফাল থাদোকনি।

# তরেংশুবা কে য়াইমা নীংশিং ভেটেরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে



ইম্ফাল,মার্চ ০৭ঃ

অকাম্পাৎ ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন, অকাম্পাৎনা শীন্দুনা এলেবেন ষ্টার স্পোর্টিং যুনিয়ন ফুটবোল গ্রাউন্দ অকাম্পাৎতা টিম ১৩না গ্রুপ ৪ থোক্না খাইদোক্নুনা থা অসিগী ২০দগী চথরক্লিবা ৭ শুবা কোইজম য়াইমা নিংশিং ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খিবগা লোয়ন্ননা ঙসি শান্নখিবা ৪ শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এফ ভি দব্লিউ এ মপাল কাংজৈবুংনা ভি এফ সি (বি) ককৱাবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

শান্নখিবা ঙসিগী মেটচ অসিদা এফ ভি দব্লিউ এ মপাল কাংজৈবুংনা বোল হেন্না পায়দুনা ভি এফ সি (বি) ককৱাগী মায়কৈদা প্লো লৈতনা এটেক চথদুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্দুনা অঙনবা মিনটশিং দগী শান্নরকখি।

এফ ভি দব্লিউ এনা মিনট ১৫ চৎপদা চথরকপা কাউন্টর এটেক অমদা ভি এফ সি(বি) ককৱাগী দিফেন্দর জর্সি নম্বর ৪ না এটেক অদু থিংনবা হোৎনবদা মপাল কাংজৈবুংগী জর্সি নম্বর ৮ তা বোক্স মনুংদা ফাউল তৌরুবগীদমক রেফ্রিনা পেনালটি পীখি।

পেনালটি অদু এফ ভি দব্লিউ এগী জর্সি নম্বর ১৪ লমখোলেন কিপজেননা গোলদা ওন্থোক্নুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনটশিংদা গোল শোৎথরিবা ভি এফ সি (বি)না গোল হন্দোক্নবা হোৎন্দুনা শান্নরবসু গোল মাঙজিল থারিবা এফ ভি দব্লিউ এগী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্দুনা গোলদা ওন্থোকপা ঙমহন্দনা কিপজেননা পেনালটিদা চনখিবা গোল অদুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল মাঙজিল থারিবা এফ ভি দব্লিউ এনা অহেনবা গোল হাপচিনবা হোৎন্নরক্নুনা ভি এফ সি (বি)গী গোল কিপ্পরবু কয়ারক হন্না চায়েং তৌখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৪৪ চৎপদা এফ ভি দব্লিউ এগী পার্সশিং অমদা ভি এফ সি(বি) ককৱাগী শান্নরোই অমদগী থকত্তোরকখিবা বোল অদু এফ ভি দব্লিউ এ গী জর্সি নম্বর ৭ অমোল কোমনা বোল অদু শমজিন্দুনা বোক্স তম্না পুশিনলগা অকনবা শাফুগা লোয়ন্ননা কাউশিনখিবা বোল অদু ভি এফ সি (বি)গী গোল কিপ্পরবু মায়থিবা পীদুনা অহাংবা নেট মুংদা চঙহন্দুনা টিমগী অনীশুবা গোল চনখি।

অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা ভি এফ সি(বি)না গোল অমতা হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি মায়থিবা নংখি।

মেটচ অসিদা ভি এফ সি(বি)গী জর্সি নম্বর ৪ য়ু ইনাওবিদা রেফ্রিনা ফাউল শানবগী য়েল্লো কাদ বুক তৌখি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা থা অসিগী ১২ কী নুংথিল পুং ২ তবদা ভি এফ সি(এ) ককৱা অমদি চিং–তম সাঙকম্ফমগা শান্নরগনি।

# জুনিয়র ষ্টেট ইক্বেষ্ট্রিয়ন চেম্পিয়ন্সিপ টেন্ট পেগীং সেনিয়রদা টি ঐচ জেকোপনা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল,মার্চ ০৭ঃ

মণিপুর ইক্বেষ্ট্রিয়ন এসোসিয়েসনা শিন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা টিম ৭ তগী নুপা রাইদর ৭১,নুপী রাইদর ৩০ অমদি জুনিয়র রাইদর ৩৫ না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ৫দগী ১০ ফাওবা চথগদবা ১৬ দি জি এ আর ইক্বেষ্ট্রিয়ন চেম্পিয়ন্সিপ অমদি ১০ জুনিয়র ষ্টেট ইক্বেষ্ট্রিয়ন চেম্পিন্সিপগী ঙসি ৩ নি চনবা নুমিৎতা শান্নখিবা টেন্ট পেগীং (স্বোর্দ) সেনিয়রদা টি ঐচ জেকোপনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অসিদা ইষ্ট্রন–স্পোর্টিং ক্লব নোংমৈবুংগী টি ঐচ জেকোপনা পোইন্ট ৩২.৫(৪ / ৭.৪৭)স্কোর তৌদুনা অহানবা পোজিসন,দি জি এ আর পোলো টিমগী এল জয়কুমারনা পোইন্ট ৩২.৫(০ / ৮.২৮) স্কোর তৌদুনা অনীশুবা,এম পি এস সিগী এস ভাইকিংনা পোইন্ট ৩২ স্কোর তৌদুনা অহুমসুবা অমদি আই আর সিগী প্রাকাসনা পোইন্ট ২৭ স্কোর তৌদুনা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

# ক্বাদ্রেনগুলর য়ু–১৯ ৱান দে সেরিজ ২০১৯ ইন্দিয়ানা অফঘানিষ্টানবু রন ৯২দা মায়থিবা পীখ্রে



কেরলা,মার্চ ০৭ঃ

ক্বাদ্রেনগুলর য়ু–১৯ ৱান দে সেরিজ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেটচ ওইনা ইন্দিয়া য়ু–১৯ অমদি অফঘানিষ্টান য়ু–১৯ টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা ইন্দিয়া য়ু–১৯ না অফঘানিষ্টান য়ু–১৯ বু রন ৯২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা অফগানিষ্টাননা তোচ ঙমদুনা বোল্লিং খনখি।

মেটচ অসিদা অহানবা বেট্টিং তৌখিবা ইন্দিয়া য়ু–১৯ না ওভর ৪৭.৪ দা ৱিকেট ১০মক তুরগা রন ২৫২ লৌবা ঙমখি। রনশিং অদু ওমরান ইগবালনা বোল ৬তা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৫, সিধেস ভিরনা বোল ৮২ দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৯ য়ৈরগা রন ৮১, প্রিয়ান্স অরিয়ানা বোল ৫৮দা সিক্স ১ অমদি ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৪৪, সাসৱাট রৱাটনা বোল ৪১দা সিক্স ১ অমদি ফোর য়ৈরগা রন ৪৫, নেহাল ৱাধেরা (কেপ্টেন) না বোল ১৪দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১৩, ধ্রুভ জুরেল (ৱিকেট কিপর) না বোল ২৪ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা রন ২৮, য়ুভরাজ চৌধারিনা বোল ৪ দা রন ১, হাস ধুবেনা বোল ৬তা রন ২, রাভি বিসনোইনা বোল ৯তা রন ২, অকাস সিংহনা বোল ৩১ দা রন ১১ অমদি ইসান অফ্রিদিনা বোল ১২তা রন ৯ লৌখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা অফঘানিষ্টান য়ু–১৯গী বোল্লর ফজাল হগনা ওভর ৯দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৪৫, অব্দুল রহমননা ওভর ৫দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৪৪, মনদোজাইনা ওভর ৪ দা রন ২৬, জমসিদ খাননা ওভর ৫তা রন ৩৫, রিয়াজ হুসেননা ওভর ৫ দা রন ২৪, সফিকবুলাহ ঘফারিনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ৪ লৌরগা রন ৩৫, ফর্হন জখিলনা ওভর ১দা রন ৪, অবিদ মোহমাদিনা ওভর ৬তা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৩৩ অমদি অরিফ খাননা ওভর ২.৪ দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ৫ পীখি।

অনীশুবা ইন্নিংস তৌখিবা অফঘানিষ্টাননা ওভর ৪৮.৪ দা ৱিকেট ১০মক তুরগা রন ১৬০ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী ইন্দিয়াগী মখুৎতা রন ৯২ দা মায়থিবা নঙখিবনি।

অফঘানিষ্টানগী রনশিং অদু অবিদ মোহমাদিনা বোল ১৫দা ফোর ৩ য়ৈরগা রনন ১৫, রিয়াজ হুসেননা বোল ৬তা রন ০, জখিলনা বোল ৪৫তা সিক্স ১ অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা রন ২৮, ইস্লাম জজাইনা বোল ৩৫তা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১৪, অরিফ খাননা বোল ৪৬তা সিক্স ১ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা রন ৩৩, ইসাগ জজাইনা বোল ১৪দা রন ২, সাফিক্কুলাহ ঘফারিনা বোল ৬২ দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ২৮, সমসিদ খাননা বোল ৪৬তা ফোর ২ য়ৈরগা রন ২১ অমদি অব্দুল রহমননা বোল ৭তা রন ১, বি য়ুভরাজনা বোল ১৬তা ফোর ১ য়ৈরগা রন ৫ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা ইন্দিয়া য়ু–১৯গী বোল্লর ইসান অফ্রিদিনা ওভর ৫দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ১৩, অকাস সিংহনা ওভর ৭তা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৩১, হার্স দুবেনা ওভর ৮ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৩২, রাভি বিসনোইনা ওভর ১০ দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৩০, য়ুভরাজ চৌধারিনা ওভর ৮দা ৱিকেট ৩ লৌরগা রন ২৪, সাসৱাট রৱাটনা ওভর ৪দা রন ১১, সিদধেস ভিরনা ওভর ৫দা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ১১, নেহাল ৱাধরানা ওভর ১দা রন ৫ অমদি প্রিয়ান্স অরিয়ানা বোল ৪দা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ১ পীখি।

# হিরো সব–জুনিয়র লীগ ২০১৮–১৯ দেম্পো স্পোর্টস ক্লব অমদি সলগাওকর এফ সি মায় পাকখ্রে



ন্যু দিল্লি,মার্চ ০৭ঃ

হিরো সব–জুনিয়র লীগ ২০১৮–১৯ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা দেম্পো স্পোর্টস ক্লবনা স্পোর্টিং ক্লব দি গৌৱাবু অমদি সলগাওকর এফ সি না চর্চিল ব্রদর্স স্পোর্টস ক্লবু মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা দেম্পো স্পোর্টস ক্লবনা স্পোর্টিং ক্লব দি গৌৱাবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ ফাওবদা টিম অনীমক্না য়াম্না কন্না লম্বা তৌখি। অদুবু টিম অসিগী অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা দেম্পো স্পোর্টস ক্লবকী শান্নরোই রাবি পুননা মেটচকী ৬২শুবা মিনটতা গোল অমা চনশিনখ্রবা মতুং স্পোর্টিং ক্লব দি গৌৱানা দেম্পো স্পোর্টস ক্লবকী গোলশিং অদু হন্দাক্নবা মেটচ অসিগী অরোইবা মতম ফাওবা হোৎনরবসু হন্দোকপা ঙমদনা দেম্পো স্পোর্টস ক্লবকী মখুৎতা গোল ১–০ দা মায়থিবা নঙখি।

মেটচ অসিদা স্পোর্টস ক্লব দি গৌৱাগী শান্নরোই মেলসিওদা ৬০শুবা মিনটতা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা সলগাওকর এফ সিনা চর্চিল ব্রদর্স স্পোর্টস ক্লবপু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা সলগাওকর এফ সিগী শান্নরোই সলভদোর গামানা মেটচকী ২৮শুবা মিনটতা গোল ১, রুই করলো দিনা মেটচকী ৩৫ প্লস ২ তা গোল ১, জেইন সিমোসনা মেটচকী ১২তা গোল ১ অমদি প্লান ক্রাস্তোনা মেটচকী ২৩শুবা মিনটতা গোল ১দুনা চর্চিল ব্রদর্স স্পোর্টস ক্লবু গোল ৪–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা সলগাওকর এফ সি গী শান্নরোই রুই কারলো দি না মেটচকী ৪১শুবা মিনটতা চর্চিল ব্রদর্স স্পোর্টস ক্লবকী মাইয়োক্তা গোল ১ চনশিন্দুনা চর্চিল ব্রদর্স স্পোর্টস ক্লবপু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

| Goa | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| Team | P | W | D | L | Pts |
| FC Goa | 1 | 1 | 0 | 0 | 3 |
| Salgaocar FC | 2 | 1 | 0 | 1 | 3 |
| Sporting Clube de Goa | 2 | 1 | 0 | 1 | 3 |
| Dempo Sports Club | 1 | 1 | 0 | 0 | 3 |
| Churchill Brothers Sports Club | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 |

# ইন্দিয়ান সুপর লীগ নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা বেঙ্গলুরু এফ সিবু মায়থিবা পীখ্রে



ন্যু দিল্লি,মার্চ ০৭ঃ

ইন্দিয়ান সুপর লীগগী প্লে ওফকী ফার্ষ্ট লেগতা ঙসি ইন্দিরা গান্ধিএথলেটিক ষ্টেদিয়ম শান্নখিবা মেটচ নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি অমদি বেঙ্গলুরু এফ সি টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি না বেঙ্গলুরু এফ সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী প্লে ওফকী ফার্ষ্ট লেগতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটে এফ সি না বেঙ্গুলুরু এফসিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখিবনি। মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি গী শান্নরোই রেদিমনা মেটচকী ২১ মিনটতা গোল ১ চনদুনা বেঙ্গলুরু এফ সিবু গোল ১–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৮২শুবা মিনটতা বেঙ্গলুরু এফ সি গী শান্নরোই জিস্কোনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি গী গোল অদু হন্দোকখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি গী শান্নরোই জুয়ান মাসিয়না মেটচকী ৯০শুবা মিনটতা গোল ১ চনশিন্দুনা বেঙ্গলুরু এফসিবু গোল ২–১দা মায়থিবা পীখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা প্লে ওফগী মেটচ ওইনা হয়েংগী অহানবা মেটচ ওইনা নুমিদাং পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা মুম্বাই সিটি এফ সি অমদি এফ সি গৌৱা অমদি অনীশুবা মেটচতনা বেঙ্গলুরু এফসি অমদি নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি গা লম্বা থেংনরগনি।

# ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,মার্চ ০৭ঃ

ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা দি য়ং মেন্স দিভপলমেন্ট ওরর্গনাইজেস্নন(ৱাই এম দি ও) হাইরাং গোইথোংনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৪ দগী হাইরাংগোইথোং ভোল্লিবোল গ্রাউন্দা অহানবা ষ্টে ট লেভেল মেন্স ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা ক্লবশিংনা থা অসিগী ১২ ফাওবগী মনুংদা মরি লৈনবা চে–চাং অমদি প্লেয়র লীস ৱাই এম দি ও হাইরাং গোইথোং ওফিসতা পীশিনলকপা য়াগনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফোম ফংম্ফমনা ৱাই এম দি ও অমদি ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী ওফিসতগী লৌরবা য়াগনি।

টুর্নমেন্ট অসিগী ৱিন্নরনা লুপা লিশিং ৩০,০০০। রন্নস অপ তা লুপা লিশিং ১৫,০০০। বেষ্ট প্লেয়র,বেষ্ট ষ্টপাইকর,বেষ্ট সিটর,বেষ্ট দিফেন্দর অমদি বেষ্ট দিসিপ্লিনদা লুপা লিশিং ১০০০গী মনা ওইরি।

টুর্নার্মেন্ট অসিগী অকুপ্পা মরোলগীদমক ৮৮৩৭০০১০৬০দগী খঙবা য়াগনি।

# ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী ত্রাইয়েল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,মার্চ ০৭ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা থা অসিগী ২০ দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোকদৌরিবা ৮ শুবা কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফি(য়ু–১৭ বোইজ) ইন্টর দিষ্টিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ দা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্টিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ানবা শান্নরোইশিং খনবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ৯ গী অয়ুক পুং ৮ তবদা এলেবেন ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন গ্রাউন্দ অকাম্পাৎ তা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসি ইং ২০০২গী জনুৱারি তাং ১ দগী ২০০৩গী দিসেম্বর তাং ৩১ ফাওবগী মনুংদা পোকপা শান্নরোইশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি।

ত্রাইয়েল অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা শান্নরোইশিংনা মশা–মশাগী ক্লবতগী ওথোরাইজেন্সন লেট্টর,ফুল কির্ট,অধার কাদ অমদি ফোতোগা লোয়ন্ননা ত্রাইয়েল পাঙথোকদবা গ্রাউন্দা লাক্নুনা রিপোর্ট তৌনবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্টিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহনলক্লি।






Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*